# ত্রম্পনা ফেদরেল জজ নীল গোর্সচপু এস সীগী জষ্টিসকী নোমিনী ওইনা লাওথোকখ্রে



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ০১ :
ফেদরেল আপিলস কোর্টকী জজ অমা ওইরিবা নীল গোর্সচপু লৈবাকপোকপা নুমিৎতা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা য়ু এসকী সুপ্রিম কোর্টতা পুন্সি চুপ্পগী ওইনা তৌগদবা থবক অমগীদমক নোমিনেট তৌখ্রে।

চহী ২৫ গী মনুংদা খ্বাইদগী নহা ওইবা নোমিনী ওইনা মশাগী চহী ৪৯ শুবদা ঙাইরিবা গোর্সচপু খনখিবসিনা তোপ কোর্ট অসিগী কঞ্জার্ভেটিভ মেজোরিটি হঞ্জিনহল্লগনি অমসুং এবোর্সন, নোংমৈগী কন্ত্রোল, শীবগী চৈরাক অমসুং লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা হকশিংগুম্বা তাইশিন্নবা ৱাবা ইস্যুশিংগী মতাংদা পীগদবা রুলিংশিংগী মায়কৈ লেপ্পদা মতেং পাংলগনি হায়রি।

চহী অমরোমগী মমাংদা কঞ্জার্ভেটিভ জষ্টিস এন্টোর্নিনা স্কালিয়া লৈখিদবগী হাংহৌরিবা ফম মেন্নবগীদমক্তা ত্রম্পনা গোর্সচপু নোমিনেট তৌখিবনি। মহাক হৌজিক য়ু এসকী আপিলস কোর্টকী কোলারাদোদা লৈবা ১০ শুবা সার্কিটতা সার্ভ তৌরি। মহাক হন্দক ত্রম্পকী সোর্টিলিষ্টতা য়াওখিবা ফেদরেল জজ গ্রুপ অমগী মনুং চনখি।

হ্বাইট হাউসকী ইষ্ট রুমদগী টেলিভাইজ তৌখিবা প্রাইম-টাইম ইভেন্ট অমদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা জজ নীল গোর্সচপু সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিসকী ফমগীদমক্তা নোমিনেট তৌরে হায়না লাওথোকখিবনি।

“গোরসচ অসি লিগল স্কিলস মতিক চানা য়াওবা, থোইদোক হেন্দোকপা ৱাখল চেনবা, থকশি খাশি ফজনা লৈবা, মায়কৈ খুদিংমক্তা য়ানরবা জজনি” হায়না ত্রম্পনা ফোঙদোকখি।

কোসরাদোদা পোকখিবা অমসুং চাওরকখিবা গোর্সচ কলম্বীয়া য়ুনিভর্সিটি অমসুং হভার্দ লো স্কুলদা তমখি অমসুং ওক্সর্সকা লোয়নবা গ্রেজ্যুএসন লোইরবা মতুংদা মহাক মার্সেল স্কোলার অমা ওইনা ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিদগী দোক্তরেট ফংখি।

জজ গোর্সচ অসি অমেরিকান কন্সটিট্যুসনগী ওরিজিনেল ইন্টেন্ট অমসুং মিনিংদা চপ চানা থাজবা ওরিজিনেলিষ্ট অমা ওইনা লৌনৈ।

মহাক্কী অহানবা সুপ্রিম কোর্টকী নোমিনেসন লাওথোকপগা লোয়ননা ত্রম্পনা হায়খি মদুদি, গোর্সচপু সুপ্রিম কোর্টতা নোমিনেট তৌদুনা মহাক্না কন্সটিট্যুসনবু লুনা খনবা অমসুং লোশিংবু ইকাই খুম্নবা অমসুং ইরম্লিবশিংগা মান্ননা ইন্টরপ্রিট তৌগদবা মীশক অমবু সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিসকী ফমগীদমক খনগনি হায়না থাজবা পীখিবা অমা ঙাক্লবনি।

কুমজা ২০০৬ তা প্রসিদেন্ট জোজ দব্লিউ বুশনা গোর্সচপু য়ু এসকী কোর্ট ওফ আপিলসকী তরাশুবা সার্কিটকীদমক নোমিনেট তৌখি অমসুং মহাকপু অয়েৎপা অমত্তা য়াওদনা ভোইস ভোটনা কনফার্ম তৌখি। “নোমিনেসন অসি ঐহাক্না নোল্লুক্না য়াজরি। মসিগী প্রোসেস অসি হৌবগা লোয়ননা ঐহাক্না লাক্লিবা চয়োল খরা অসিদা সিনেটরশিং উন্নরগনি” হায়না গোরসচনা হায়খি।

মহাক্কী লিগল আইদিয়া খরা ফোংদোক্লদুনা গোরসনা হায়খি, জজশিংগী রুলদি মীয়ামগী মীহুৎশিংগী থবক এপ্লাই তৌবনি হোংদোক্লবা হোৎনবা নত্তে। মহাক্না জষ্টিস স্কালিয়াবু ‘লোগী নোংশা অমনি’ হায়না শীংথাখি।

# অথিংবা থম্বগীদমক্তা অফ্রিকান য়ুনিয়ন্না য়ু এসপু কন্দেম তৌখ্রে



অদিস আজাবা, ফেব্রুৱারী ০১ :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চহী ৫০ হেন্না ক্যবাদা থম্লকখিবা ইকনমিক, কম্মর্সিয়ল অমসুং ফাইনান্সিয়ল ব্লোকেদ লেপ্পবা দিমান্দ তৌবা রিজোলুসন অমা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইথিওপিয়াগী কেপিটেল আদিস অবাবাদা পাঙথোকখিবা ২৮ লক শুবা অফ্রিকান য়ুনিয়নগী সম্মিটনা এপ্রুভ তৌখ্রে।

সম্মিট অদুগী অরোইবা নুমিত্তা কন্টনেন্টেল ওর্গনাইজেসন অদুগী হেদ ওফ ষ্টেটশিংনা মত অমত্তা ওইনা ঈথৎ অদুগী মায়োক্তা চৎনহল্লিবা জিনোসাইদল পোলিসি অদুবু অমুক হন্না রিজেক্ট তৌখিবনি।

রিজোলুসন অদুনা ক্যবা অসুং য়ু এসকী গভর্নমেন্টশিংগী মরক্তা বাইলেটরেল মরীশিং অমসুং নাকল অনীমক্তা কান্নহনগদবা মরীশিং শগৎপদা খুমাং চাওশিনববুসু তরাম্না ওকখ্রে। ঈথৎ অদুগা মরী লৈনবা য়ু এসকী পোলিসিগী মতাংদা টেক্স অদুনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পতা হন্দক চহী খরসিদা বাইলেটরেল মরীদা ফংবা ঙমখিবা পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা রিজল্টশিং খন্ননবা আপিল তৌরি।

চৈরকসিদা, জান্যুৱারি ৩০ দা পাঙথোকখিবা প্লিনরি সেসনদা ৱা ঙাংখিবা এ য়ু কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট নাকোয়াজানা দলামিনি জুমানা ব্লোকেদ লোয়শিন্নবা অমসুং ক্যবাগী মীয়াম অমসুং গভর্নমেন্টগীঅনিংবা অপাম্বগী মায়োক্তা গুৱান্টানামোদা লৈবা য়ু এস নেভল বেজনা ইলিগল ওইবা মওংদা পাইশিনখিবা লম হন্দোক্নবা দিমান্দ তৌখ্রে।

অদুম ওইনমক ত্রম্পনা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ওইনবা খনখিবা হান্নগী এক্সোন মোবিলগী চিফ ইগজিক্যুটিভ রেক্স টিলরসননা মহাক্কী কনফার্মেসন হিয়ারিংদা হায়খিবনি মদুদি, মহাক্না মমাংগী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামাগী ইগজিক্যুটিভ ওর্দরশিং অমসুং ক্যবাগী ফেভরদা উৎখিবা ইঙ্গিৎশিং হন্দোক্কনি নৎত্রগা মপং ফানা রিভ্যু তৌগনি।

# পাকিষ্টানসু ত্রাভেল বেনগী লিষ্টতা য়াওরকপা য়াবগী ঈঙ্গিৎ পীখ্রে

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ০১ :
প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা য়ু এসতা মুসলিমশিংনা মশীং য়াম্বা লৈবাক তরেৎতগী লাকপা ইম্মিগ্রেন্টশিং চঙহন্দনবা ওর্দর তৌখ্রবা মতুংদা অদুগুম্বা লৈবাকশিংগী লিষ্টতা গ্লোবেল টেররিজমগী ইপিসেন্তর অমনি হায়না লৌনবা পাকিষ্টানসু য়াওবা য়াই হায়বগী ঈঙ্গিৎ অমা হ্বাইট হাউসনা পীখ্রে।

প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা মিদিয়াগা লৈনবা মরীগী মতাংদা লৈবাকপোকপদা জোজ ৱাশিংটন য়ুনিভর্সিটিদা ফমখিবা মীফম অমদা হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরি সোন স্পাইসরদা “লিষ্ট অদুদা পাকিষ্টান করিগী য়াওরোইদৌরিবনো” হায়না হংখি অমসুং ৱাহং অসিগী পাউখুম ওইনা স্পাইসরনা “(পাকিষ্টাসনসু) য়াওরকপা য়াই” হায়না খুমখি।

প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা মুসলিমশিংনা মেজোরিটি ওইবা লৈবাক তরেৎতগী লাকপা মীশিংবু য়ু এসতা চঙহন্দনবা ইগজিক্যুটিভ ওর্দর অমা সাইন তৌখিবদগী পাকিষ্টানবু অসিগুম্বা লৈবাকশিংগী লিষ্টতা য়াওহন্দবগী মরম পীনবা হ্বাইট হাউসকী সিনিয়র ওফিসলশিংদা তৎতনা হংনখিবনি।

প্রসিদেন্টগী ইগজিক্যুটিভ ওর্দরদা পল্লিবা লৈবাক তরেৎ অদুদি - ইরাক, সিরিয়া, সুদান, ইরান, সোমালিয়া, লিবিয়া অমসুং য়েমেননি। পাকিষ্টানদা নত্তনা অফগানিষ্টান অমসুং সাউদি অরাবিয়াসু লিষ্টতুদা করিগী য়াওদ্রিবনো হায়না হ্বাইট হাউসকী তোপ ওফিসলশিংদুদা হংনখি।

হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরিনা পাকিষ্টানসু লিষ্ট অদুগী শরুক অমা ওইরকপা য়াই হায়বগী ঈঙ্গিৎ পীরদুনা হায়খি মদুদি “ঐখোয়না মদুসু তৌরকপা য়াই। য়াম্না মরু ওইরিবদি ঐখোয়না হান্না আইদেন্টিফাইদ তৌরবা লৈবাক তরেৎতগী খোঙথাং অসি লৌখৎপা হৌখ্রে, রিভ্যি তৌনবগী নুমিৎ ৯০ নিগী মতম লাওথোকখ্রে।”

নুমিৎ ৯০ নিগী রিভ্যিু অসিগী মনুংদা ঐখোয়না অতৈ লৈবাকশিংসু য়েংলকপা য়াই নৎত্রগা কনাগুম্বা অমা লৌথোকপা নৎত্রগা অতৈ তৌবা য়াবশিং তৌরকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং মসি রিভ্যিুগী প্রোসেস অমনি।”

“ঐখোয়না গভর্নমেন্ট অমা ওইনা অমসুং লিদরশিং ওইনা খ্বাইদগী ইহান হান্না তৌগদবা থবক্তি লৈবাক অসিগী মীওই মিলিয়ন ৩২৪ বু ঙাক শেনবনি। মরম অদুনা মীশিংনা লৈবাকসিদা লাকপদা খুদোংচাদবা খরা থেংনগনি হায়বা ঐহাক খঙই। তৌইগুম্সুং মসি ঐখোয়গী লৈবাক্নি। ঐখোয়গী ইহান হানবা রেসপোন্সিবিলিটিদি ঐখোয়গী মীয়ামগীনি” হায়না মহাক্না হায়খি।

# ধাকাগী কেফে এতেক: এতেক্তা শরুক য়াখিবা মিলিটেন্ট মরি ফারে



ধাকা, ফেব্রুৱারী ০১ :
ধাকাদা লৈবা পোপ্যুলর কেফে অমদা বাংলাদেশকী খ্বাইদগী শাথিবা টেরর এতেক পাঙথোকখিবা অথিংবা থমখ্রবা ইস্লামিষ্ট আউটফিট অমগী মিলিটেন্ট মরি ফারে হায়না বাংলাদেশ পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

শাথিরবা এতেক অদুদা ইন্দিয়াগী নুপীমচা অমা য়াওনা মীওই ২২ শিখিবনি। নিও-জামাটুল মুজাহিদ্দিন বাংলাদেশ (জে এম বি) গী মিলিটেন্টশিং অদু হৌখিবা অহিংদা চৎখিবা রেইদ অমদা জত্রাবারি এরিয়াদা লৈবা য়ুম অমদগী ফাখিবনি। মখোয় অশাবা মীং অমগী মখাদা য়ুমদুদা টেনান্টশিং ওইনা লৈরম্বনি হায়না রেপিদ এক্সন বাটালিয়নগী স্পোক্সমেননা পাউমীশিংদা হায়খি। মহাক্না হায়খি, ইস্লামিক ষ্টেট টেররিষ্ট গ্রুপপু শৌগৎপা ওপরেটিভ মরি অসিনা জুলাই ১ দা ধাকাগী কেফে অদুদা শাথিরবা এতেক অদু চৎখিবনি। মিলিটেন্টশিংসিগী মনুংদা অমদি গ্রুপ অসিগী আই দি এক্সপার্ট অমনি।

তুংদা আর এ বিগী অতেনবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, মীওই মরি অসি জে এম বিগী সারৱার-টামিম গ্রুপকী মেম্বরশিংনি অমসুং মখোয়গী মনুংদগী অশফক-ঈ-অজমনা ৱেবাইটশিং মেন্টেন তৌবগী চার্জ পুই অমসুং গ্রুপ অসিদা টেক্নিকেল সপোর্ট পী। থৌদোক থোকফমদগী মখোয়না পিষ্টল অনী, নোংমৈ মরু ২১, থাং মরি, গন পাউদর অমসুং বোম শাবদা চংবা মচাক মথুমশিং ফাগৎলে হায়না আর এ বিনা হায়খি।

মিলিটেন্ট মরি ফাবগী দিভলপমেন্ট অসি হৌখিবা চহীগী জুলাই ১ দা ধাকাগী গুলসন এরিয়াদা লৈবা হোলি আর্টিসন রেষ্টোরেন্টদা চৎখিবা এতেক অদুগী মাষ্টরমাইন্দশিংগী মনুংদা পুলিসনা ফাখিবা মতুং চয়োল অনী লৈরগা লাক্লিবনি। পুলিসনা মতমদুদা ফারবা মিলিটেন্ট অদুগী মমীং জহাঙ্গির আলম কৌই তৌইগুম্বসুং গ্রুপ অসিদনা “রাজিব গান্ধী” কৌই হায়না ফোঙদোকখি। মহাক গ্রুপ অসিগী মরুওইবা রিক্রুটর অমসুং প্লান্নরনি হায়রি।

# বলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েংগী ৱাফম ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টরনা কনফার্ম তৌ য়াখিদ্রে



টেহ্‌রান, ফেব্রুৱারী ০১ :
ইরানিয়ন মিসাইল প্রোগ্রাম অসি ২০১৫ দা মালেমগী পৱারশিংনা তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র দিলগী শরুক অমা নত্তে হায়রদুনা ইরানগী ফোরন মিনিষ্টরনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মহাক্কী লৈবাক্না হন্দক্তা মিসাইল চাংয়েং অমা পাঙথোকখিবগী ৱাফম কনফার্ম তৌ হায়বা য়াখিদ্রে।

ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না হায়জবদগী য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা প্রাইভেট মীফম অমা পাঙথোকখি অমসুং য়ু এস এম্বেসেদরনা তুংদা হায়খি মদুদি, ইরানগী মিসাইল চাংয়েং অসিনা মালেম পুম্ববু নুংনাংহনগনি অমসুং মসিদা কাউন্সিলনা এক্সন লৌখৎকদবনি।

হেলিনা ময়াই ওইরপ শানবা মিসাইলগী চাংয়েং অদু ঐখোয়না মওং অমত্তদা য়ানিংঙাই ওইদে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইরান্না লৈবাক অমত্তদা এতেক তৌগে হায়বগী ৱাখল লৈতে হায়বা মখোয়গী ৱাফম অসিবু য়ু এস অমসুং অতৈ লৈবাকশিংনা য়াই হায়না লান্না খল্লি।

“ঐহাক্না মালেমগী মীয়ামদা ইরানগী থৌওং অসি চেকশিনগদবা অমসুং লুনা লৌগদবা অমনি হায়বসি খঙহনগনি” হায়না মহাক্না হায়খি। য়ুনাইটেদক ষ্টেটসনা খঙদবা নত্তে। ঐখোয়না তুমিন্না লৈথোক্লোই। ঐখোয়না হান্না হায়খিবগুম মখোয়দা করি হায়বগে হায়বদু য়েংবীয়ু, ঐখোয়না করি তৌরকপগে হায়বদুসু নখোয়না উরগনি হায়না হেলিনা হায়খি।

ইরানদা খোঙচৎ অমা লাকখিবা ফ্রান্সকী ফোরেন মিনিষ্টর নদান-মার্ক এজেল্টগা পুন্না শরুক য়ামিন্নখিবা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মোহম্মদ জাঙদ লোরিসতা মহাক্কী লৈবাক্না হন্দক্তা মিসাইল অমা চাংয়েং তৌখিবরা হায়না হংখি।

মিসাইলগী ইস্যু অসি ন্যুক্লিয়র দিলগী শরুক অমা নত্তে। ন্যুক্লিয়র দিল অদুদা সিগনেটরিশিং ওইবা পুন্নমক্না লাওথোকখিবগুম মিসাইলগী ইস্যু অসি দিল অদুগী শরুক ওইদে হায়না মহাক্না হায়খি।

# ‘ফিলিপিন্সতা অমেরিকানা খুৎলায়গী দিপো শাবা লৈতে’

মনিলা, ফেব্রুৱারী ০১ :
ফিলিপিন্সকী মফম অমত্তদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা খুৎলায় পৈফম অমত্তা শেম-শাবা লৈতে হায়না য়ু এসকী এম্বেসেদরনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এসকী ফোর্সশিংবু মতম খরগী ওইনা লোকেল কেম্পশিংদা লৈবা য়াহনবা ২০১৪ গী দিফেন্স পেক্ট অমা চৎনহন্দনবা প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্টেনা হায়খিবা ৱাফম য়ানিংদবা উৎপগা লোয়ননা মনিলাদা লৈবা য়ু এস এম্বেসেদরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

“প্রসিদেন্টদা অরানবা পাউ খরা পীরম্লগনি হায়না ঐহাক্না খল্লি। মদুনা মরম ওইদুনা খুৎলায়গী দিপো অমা শারম্বা য়াই হায়না চীংনবদগী মহাক্না ৱাফম অদু ফোঙদোকখিবা ওইরম্বা য়াই” হায়না মহাক্না বিজনেস লিদরশিংগী ফোরম অমদা হায়খি। “তশেংবা ৱাফমদি, ঐখোয়না খুৎলায়গী দিপো অমত্তা ফিলিপিন্সকী মফম অমত্তদা শাবা লৈতে।”

কুমজা ২০১৪ গী ইনহান্স দিফেন্স কোওপরেসন এগ্রীমেন্টগী মখাদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং দিজাষ্টর রিলিফ অমসুং হ্যুমেনিটরিয়ন এসিষ্টেসন্সকা মরী লৈনৈ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, এগ্রীমেন্ট অদুদা ঐখোয়না ফিলিপিনো বেজ মঙাদা ফেসিলিটিশিং অমসুং ষ্ট্রকচরশিং শাবা য়াবগী ৱাফম য়াওরি। তৌইগুম্বসুং ফিলিপ্সিকী মীয়াম অমসুং লুচিংবশিংনা য়ারোইদবা অমত্তা ঐখোয়না ফিলিপিনো বেজশিংদা তৌবা ঙমগনি নিংদে।

# বান কি-মুননা মীরেপ ওইরোই হায়খ্রে

সিওল, ফেব্রুৱারী ০১ :
মতম অমদা সাউথ কোরিয়াগী মথংগী প্রসিদেন্ট খন্নবগী লমজেলদা ফ্রন্ট রন্নর অমনি হায়না খন্নরম্বা হান্নগী য়ু এন চীফ বান কি-মুননা ফম অসি তান্নবগী লমজেলদা মহাক য়াওবগী ৱাফম লৈতে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

পোলিটিসিয়ন খরগী মশাগী ওইজবা থীবগী থৌওংশিংদা মহাক পেন্দ্রে হায়রদুনা বাননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না শেমজিন শাজিনবা পাউশন্দোকই হায়নসু নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে। কঞ্জার্ভেটিভ পার্টিগী লিদরশিংগী মীফম অমা লোইরবা মতুংদা বাননা পার্লিয়ামেন্টদা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, মিদিয়াদা মহাক্কী মীংচৎ থীহন্নবগী ফৎত্রবা থৌওং কয়া চৎথবগী মওং মহাক্না উরে অমসুং মসিনা মরম ওইদুনা মহাক্না লৈবাক নুংশিবগী ৱাখলনা লীচিং ওইরগা সাউথ কোরিয়াদা পোলিটিকেলগী অহোংবা অমা পুরক্নবা থৌরাং তৌরম্বদু থাদোক্লে।






## EMPLOYMENT NEWS

### CISF Recruitment 2017 – Central Industrial Security Force – 79 Assistant Sub-Inspector (Steno) Vacancies – Last Date 28 February

**CISF Recruitment 2017**

Central Industrial Security Force (CISF) invites application For the post of 79 Assistant Sub-Inspector (Steno) direct candidate. Apply before 28 February 2017.

**Job Details :**

Post Name : Assistant Sub-Inspector (Steno)
No. of Vacancy : 79 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2800/-

**Categories wise Vacancies :**

UR : 39 Posts
OBC : 16 Posts
SC : 08 Posts
ST : 16 Posts

**Eligibility Criteria for CISF Recruitment :**

Educational Qualification : Candidate should have passed Intermediate or Senior Secondary School Certificate (10+2) examination from recognized Board or University or equivalent and Dictation 10 minutes @ 80 words per minute. Transcription time 50 minutes in English or 65 minutes in Hindi on computer.

Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 25 years as on 28.02.2017

**Age Relaxation :**
For Schedule Caste/Tribe : 05 years
For Other Backward Class : 03 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection process based on further stages of recruitment that is Eligibility test, Physical Efficiency Test, Written Test and Trade Test.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- in the form of Postal Order drawn in favour of the officer concerned CISF as per Official Notification and payable at the concerned post office. Fee is exempted for candidates belonging to Scheduled Caste, Scheduled Tribe, women and Ex-servicemen.

**How to Apply CISF Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with Three self addressed envelopes (12 x 27 Cms size) duly affixing postal stamps for Rs.22/- thereon two. self attested Photostat copies of certificates/ testimonials in support of age and educational qualification send to concerned Zonal DIG of CISF Office As Per Official Notification on or before 27.02.2017.

**Important Dates to Remember:**
Last Date for Submission of Application form : 27.02.2017

**Important Links :**
Detailed Advertisement & Application Form Link : http://www.davp.nic.in/WriteReadData/ADS/eng_19113_7_1617b.pdf

### CRPF Recruitment 2017 – Central Reserve Police Force – 2945 Constables (Technical & Tradesmen) Vacancies – Last Date 01 March

**CRPF Recruitment 2017**

Central Reserve Police Force (CRPF) invites application for the post of 2945 Constables (Technical & Tradesmen). Apply Online before 01 March 2017.

**Job Details :**

Post Name : Constables (Technical & Tradesmen)
No. of Vacancy : 2945 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2000/-

**Eligibility Criteria for CRPF Recruitment :**

Educational Qualification : Candidate must have passed 10th / matriculation examination or its equivalent from a Board recognized by the Central or State Govt.

Nationality : Indian
Age Limit : As on 01.01.2017

For CT/DVR : 21 to 27 years
For all Other Posts : 21 to 23 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be made on PET/ PST & Written Examination.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- through SBI Challan OR Net Banking OR Credit card / Debit Card. candidates belonging to Scheduled Caste, Scheduled Tribe and ExServicemen eligible for reservation are exempted from paying fee.

**How to Apply CRPF Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://crpf.nic.in on or before 01.03.2017

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application form : 01.03.2017
Last Date for Submission of SBI Challan : 20.02.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://crpf.nic.in/writereaddata/Portal/Recruitment_Advertise/ADVERTISE/1_98_1_148012017_Email.pdf

**Apply Online :** http://crpf.nic.in/recruitment-details.htm?98/AdvertiseDetail